**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-04-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৪-০৪-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শজিবু চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোকরি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে, লালহৌবা অহুমসু ফারে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা দেল্লি-দেহরাদুন ইকোনোমিক কোরিদোর ঙসি শঙ্গারগনি।

----

**চৈরাউবা (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শজিবু চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোকরি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি অমদি লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগী পাউজেলদা হায়- চৈরাউবনা লাকপদা

মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। ধর্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা চৈরাউবগী থৌরম অসি হরাউ নুঙাইনা পাঙথোকপা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়- চৈরাউবনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা হরাউ নুঙাইনা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোকবা য়াইফ পাউজেল পীজরি। চৈরাউবা কুম্মৈনা লাকপদা শান্তি, অমত্তা ওইবা, চাউখৎপা অমসুং কাংলুপ পুমমক্কী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি থাজনবগী মরি হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

পাউজেল অমদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা অনৌবা চহিবু তরামা ওক্কুনা নুংঙাই য়াইফবা, অমত্তা ওইবা অমসুং শান্তিগী লম্বীরোমদা পুন্না চংশিনমিন্নরশি। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দামিন্নরিবশিংগী ৰাখলদা অমত্তা ওইবগী ৰাখল্লোন হেন্না ফাওদুনা ঐখোয় পুমমক্কী লৈফম ওইরিবা মণিপুরবু নুংশিবগী ৰাখল্লোন হেনগৎহল্লসি হায়রি। চৈরাউবনা লাকপদা ঐখোয়গী অরিবা চৎনবীশিং ঙাক শেনবগা লোয়ননা শিংনবশিং মায়োকদুনা য়ুমথোং খুদিংমক্তা নুঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

এম.এল.এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনসু শজিবু চৈরাউবনা লাকপদা মণিপুগী মীয়াম অখন্নবা মীতৈশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনসু শজিবু চৈরাউবগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাডজেল পীরক্লি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে, লালহৌবা অহুমসু ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-কামজোং জিলাগী চাসাদ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা বোর্দর পিলর ১১৫ গী এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা এ.কে ফোর্তি সেভেন রাইফল ২, পোইন্ট

টু টুগী রাইফল ১, মোর্তার বোম ১৬, আর.পি.জি রাউন্দ ৬, গ্রেনেদ ৫, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরু ৪৬১ অমসুং তুয়েল্ব বোর কারত্রিজ ১৪ ফংলে।

কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা তিংপীবুং অমসুং লেপলেন ভিলেজকী মরক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কন্ত্রিমেদ বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল ৫, পম্পী ৩, থর্তি সিক্স হেন্দগ্রেনেদ ১, সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম এমগী নোংমৈ মরু ২ অমসুং রেদিও সেট ২ ফংলে।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী লিলোং হাউরৈবী মখা লৈকাইদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি (ইবুংঙো ঙাঙোম)গী মীওই অনি ফারে। মখোয় অনি অদু হিয়াংলম অৱাং লৈকাইদগীনি অমসুং মীওই অমদি ককচিংগী কম্মান্দোদা এতেক্ট তৌদুনা লৈবা হবিলদার নি। মঙোন্দগী মরু ১০ গা লোয়নবা সার্ভিস পিষ্টোল ১ ফংলে।

অসামগী হোজাই জিলাগী লনকা পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা রুপনাগরদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা অসাম পুলিসকী মতেংগা লোয়নননা মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ফারে। মহাক জিরিবামগী কম্মরঙ্গাদগীনি। হৌজিক হৌজিকনা জিরিবামগী দিবোং অৱাং লৈকাইদা লৈবনি। ফারবা মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

মরক অসিদা, উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা মোংকোট চেপু ভিলেজ এরিয়াদা শারম্বা বঙ্কর ৪ ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগাইদুনা মাংহনখ্রে।

**অম্বেদকর(এল)ঃ** ঙসি অসি ডা.বি.আর অম্বেদকরগী মপোক নুমিৎনি। ভারত সংবিধান শেম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা অমসুং লৈবাক অসিগী ইহান হানবা আইন মন্ত্রিসু ওইখিবা ডা.অম্বেদকরবু নিংশিংদুনা লৈবাক্কী মফম কয়াদা পালন থৌরমশিং পাঙথোকগনি।

ডা.ভিমরাও রামজি অম্বেদকরগী ১৩৫ শুবা মপোক কুমওননা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎলক্লি। ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ডা.অম্বেদকরনা ভারত সংবিধানগী চিফ আর্কিতেক্ট অমা ওইনা অমসুং তুংগী মীৎয়েং শানবা লুচিংবা অমা ওইনা লৈবাক অসিদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা, থোং মান্নহন্নবা অমসুং হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবদা মাক্কী পুনশি কখোকখি। খুন্নাইদা হন্থনা য়েংবগী মীৎয়েংশিং শিক্ষা, আইন অমসুং সংবিধানগী ঙাক্লৌ কয়া শিজিন্নদুনা মহাকা মুখৎনবা হোৎনবনি। ডা.অম্বেদকরগী মপোক কুমওননা লাকপদা লুচিংবা অসিগী মফমদা থমোই শেংনা ইকাই খুমবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং তুং ইন্দুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনরসি হায়রি।

**নোনে (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দেভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা তোঙানবা তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা
অঙাংশিংদা শেলগী তেংবাং পীরিবা অসি লৌননবা হায়রি। নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোতেক্সন য়ুনিটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- নোনে জিলাগী মনুংদা লৈবা চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা লাইরবা স্কুল চৎলিবা মহৈরোইশিংনা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা লৌবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোতেক্সন য়ুনিট নোনেদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লূপা কোতি লিশিং ১২ চংনা শেমগৎলিবা দেল্লি-দেহরাদুন ইকোনোমিক কোরিদোর শঙ্গারগনি। প্রধান মন্ত্রিনা উট্টরাখন্দগী দেহরাদুনদা চত্তুনা ইকোনোমিক কোরিদোর অসিগী অখন্নবা শরুক খরা ৱাইল্ড লাইফ কোরিদোর ওইনা শেমগৎলিবা অসিসু য়েংশিনগনি। লেন ৬ লৈবা কিলোমিতর ২১৩ শাংবা দেল্লি-দেহরাদুন ইকোনোমিক কোরিদোর অসিনা দেল্লি অমসুং দেহরাদুনগী মরক্তা চখোক চৎশিন তৌবদা পুং ৬ হেন্না

চংলম্বা অদু পুং ২ মখায়রোমতমক চংলগনি। প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা রেলৱে ওভরব্রিদজ অহুম, থোঙ মরি অমসুং অতোপ্পা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া য়াওরি। কোরিদোর অসিদা এদভান্স ত্রাফিক মেনেজমেন্ট সিস্তেমগী খুত্থাংদা মীয়ামা চখোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচবা পীরগনি। মফম অসিগী বাইওদাইভর্সিতি অমদি লল্লক্কী শা উচেক অসিদা অকাইবা পীদনবা এসিয়াগী খ্বাইদগী শাংবা কিলোমিতর ১২গী ৱাইল্ড লাইফ ইকোনোমিক কোরিদোর য়াওরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সি.এমনা ইম্ফাল মনুংগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে, অশোইবা য়াওরম্বশিং চুমথোকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদা- সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন ১৪ না সেন্সসকী মতাংদা হাই কোর্টতা পিতিসন অমা থারগনি হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ত্রোংলাউবী অমসুং গেলমোলদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনি য়াওনা মীওহ মঙাগী হকচাংশিং পোষ্ট মোর্তেম এগজামিনেসন তৌখ্রে, হকচাংশিংদি লৈঙাক্কা য়ানবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা লৌদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিরোই হায়রি - হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পোকফম পাউচেদা- ইম্ফাল এয়রপোর্টকী নৌনা শাগৎলিবা তর্মিনেল বিল্ডিং মতম চানা লোইশিন্নবা চিফ মিনিষ্টরনা পাউতাক পীখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সনালৈবাক্তা তোঙানবা

হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি অমদি সব-হেদিংদা মোবাইল দেতা থিংবা হাংলগনি হায়বা সি.এমগী ৱাফমসু য়াওরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা অসাম রাইফলসকী দি.জি.এ.আরগা উনখ্রে, কুকিগী সংস্থানশিংনা মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ চৎকনি হায়রিবা অসি য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি অমসুং রোদ ব্লোকেদ তৌখিবনা চুরাচান্দপুরদা থাও অমদি এল.পি.জিগী স্তোক হন্থরক্লে হায়বা পাউনা - দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ত্রোংলাউবীগী থৌদোক জ্দিসিয়েল এনক্বারি তৌ হায়বা কংগ্রেস লুচিংবা কৈশাম মেঘচন্দ্রগী ৱাফম অমসুং এম.সি.পি.সি.আরনা চেয়রপর্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা ত্রোংলাউবীগী থৌদোক থোকফমদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউনা- নহারোলগী থৌদাংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীহুৎ কাংবু অমনা ত্রোংলাউবীদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে, অঙাং অমদি মীচম হাৎপা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি হায়বা পাউ অসি- গানফিউ মেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ত্রোংলাউবী মীহাৎকা মরী লৈননা শিল্লোংদা সংস্থান অহুমনা কেন্দল লাইট বিজল পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- তামেংলোং তাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- এন.পি.ওনা মাও সেনাপতি হাইৱে প্রোজেক্ট অসিদা লোকেল কনত্রেক্তরশিংনা ক্বালিতি লৈনা

থবক শুনবা তকশিল্লক্লি অমসুং এস.দি.এস.এনা জিলা অসিদা হাংলিবা স্কুল অমসুং কোলেজশিংনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্তর ইন্সটিট্যুসনেল স্পোর্টস মিট ২০২৬ তা শরুক য়াবীনবা তকশিল্লক্লি হায়বা পাউনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**---পাউ লোইজরে---**